## লোক্তাক নীংশিং নুমীৎ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচএনএস): হৌখিবা কুমজা ১৯৯০দগী পাঙথোক্তুনা লাকপা লোক্তাক নীংশিং নুমীৎকা মরী লৈননা ইরমদম ঈমা মণিপুর হায়বা ফেসবুক গ্রুপনা থাঙ্গা করাংদা ঙা মচা ২০০০ থাদখ্রে।

থাঙ্গা করাংদা লৈরিবা ঙা ফাদুনা নোংমগী চরা তান্দুনা হিংলিবা মীওইশিংগীদমক করিগুম্বা মতেং খরা ওইনবগী পান্দমদা ঙা মচা ২০০০ থাদখিবনি। ঙা মচা থাদবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা গ্রুপ অসিগী মেম্বর নবকিশোরনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ফেসবুক গ্রুপ অসি লমদম অসিগী অৱা-অনা তারবা কনা লৈজদ্রবশিংগী করিগুম্বা মতেং খরা পাংবা ঙম্নবগী পান্দমদা শেমখিবা গ্রুপ অমনি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়, সোসল মীদিয়াগী ফেসবুক গ্রুপ অমা ওইরবসু হৌখিবা চহী খরদগী গ্রুপ অসিনা লমদম অসিগী ওইনা তৌবা য়াবা মতেং কয়া পাংদুনা লাক্লি। মখা তারকপদসু অসিগুম্লবা লমদম অসিগী মীয়ামদা মতেং পাংবগী ৱাখল্লোলগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী থবক থৌরমশিং লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোরক্লি।

## লাইরিক ফোঙগদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস): ডা. এল শশিকুমার য়ুরেম্বমনা ইবা দি ৱেব হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা হয়েং নুংথিল পুং ১.০১ চৎপা মতমদা নুংহর পব্লিক গ্রাউন্দ উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তা ফোঙলগনি হায়না নোংচুপ হারম খোর্জেলূপ (নোহাখোল) গী জেনরেল সেক্রেটরি আই এস য়ুম্নামনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নোহাখোলগী ১৯৭ শুবা পব্লিকেসন ওইরিবা লাইরিক অসি ফোঙবগী থৌরমদা ইম্ফাল ইষ্টকী এদিসনল এস পি, টি ঐচ কৃষ্ণতোম্বী, নোহাখোলগী প্রসিদেন্ট ডা. শশিকুমার অমদি সোসল ৱার্কর এলাইসনা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

## সিক্যুরিটি মীট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্তর অসাম রাইফলসকী তুলিহল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা পাৎশোই কম্পেনি ওপরেটিং বেজদা সিক্যুরিটি মীট পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সিক্যুরিটি মীট অদুদা মৈরা পায়বী, কাউন্সীল্লর অমদি য়ুথ ক্লবকী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ইন্টরেক্সনসু পাঙথোকখি হায়রি।

## এন্থোনি লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু কে এল এফ) কী স্পোক্সমেন অমদি হান্নগী হোম সেক্রেটরি এন্থোনি জাংখোথাং হাওকিপনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী নজারেট ভিলেজদা ঙসি লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না য়ু কে এল এফকী জোইন্ট সেক্রেটরি টি জেমসনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এন্থোনি জাংখোথাং হাওকিপ অসি ওর্গনাইজেসনগী আইদিওলোজিদা চেৎনা থাজবা মীওই অমনি। কুকি নেসনগীদমক হোৎনরম্বা মীওইনি। মহাক্না ওর্গনাইজেসন অসিগী তোঙান তোঙানবা কেপাসিটিদা থবক তৌরম্মী। মহাক্না লৈখিদবা মতম অসি ফাওবা ওর্গনাইজেসন অসিগী স্পোক্সমেনগী ফম পুরম্মী। মহাক্না লৈখিদবদা ওর্গনাইজেসন্না রেভল্যুস্নরি সেল্যুট পীরি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## রন্নর ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস): রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী কেজুয়েল্টিদগী কে রাজু কৌবা ফার্মাসি রন্নর অমা রিমস ওথোরিটিনা ফারে হায়না রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর সী ঐচ অরুনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, ফারবা মীওই অদু লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে। অসিগুম্বা ইলিগেল প্রক্তিস অসি মখা তানা চথুদনবা হোস্পিটাল ওথোরিটিগী মায়কৈদগী মঙোন্দা খঙহনখ্রে। মীওই অদু রিমসকী কেজুয়েল্টিদগী রিমস ওথোরিটিনা ফারবা তুংদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখিবনি। ফার্মাসি রন্নর অদুদা অসিগুম্বা থবক অসি অমুক হন্না তৌদনবা খঙহনখ্রে হানয়সু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ফোরেষ্ট এরিয়াদা লন্নাই মীওইশিংনা লম খোপচিল্লিবশিং হন্দোকপীয়ু : এসোসিএসন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস): ফোরেষ্ট এরিয়াদা লন্নাই মীওইশিংনা লম খোপচিল্লিবশিং হন্দোকপীয়ু হায়না ইষ্টর্ন স্পোর্টিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা চীংখৈ চীং রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা লন্নাই মীওইশিংনা কাঙলোন কায়না লম খোপচিল্লিবা অমসুং য়ুম-কৈ শাজিল্লিবশিংগী মথক্তা ইভিক্সন নোটিশ থোকখি। মীওই কয়া অমদা সো কোজ নোটিশ পীখি। ফোরেষ্ট এরিয়া অসিদা খোপচিল্লিবা লন্নাই মীওইশিংনা মশা-মশানা খঙনা হন্দোকপীয়ু। কাঙলোন কায়না রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা লন্নাই মীওইশিংদা লমগী পাট্টা পীরল্লিবা অসিদা চেন্নবা রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎপীয়ু। ইম্ফালগী জিরো মাইলদগী কিলোমিটর ৭ লোম লাপ্না লৈবা চীংখৈ চীং রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াগী টিঙ্গিদ চীঙ্গোলদা হৌখিবা মতম খরা অসিদা লন্নাই মীওই কয়া য়াওনা লম খোপচিনবা, চীং তেমখায়বা, লৈবাক পেকথোকপা কয়া চথুদুনা লাক্লি।

নোংমাইচিং রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদসু লম খোপচিনবা অমদি পাট্টা তাশিনবগী থবক চথুনা লাক্লি। কাঙলোন কায়না চথরক্লিবা অকোয়বগী শত্তুমদা চাউনা অপনবা পীরক্লিবা থৌওং অসি থেংননবগীদমক এসোসিএসন্না অকনবা থবক লৌখৎতুনা লাক্লি। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওথোরিটিশিংগা পুল্লগা জোইন্ট ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট কম্মিটি শেমদুনা ঙাক শেন্নবা থবক লৌখৎলকখিবনি। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা লম খোপচিন্দুনা পাট্টা তাহল্লম্বা মীওই ১৮ গী লমগী পাট্টা মরী লৈনবা রেভিন্যু দিপার্টমেন্টনা ককথৎনবা খঙহনখি। মসিগী মখা তারকপদা সেপ্টেম্বরদা চীংখৈ চীং রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা লন্নাই য়ুম য়াওনা শাজিন-খোপচিল্লিবা ২৯ দা সো কোজ নোটিশ পীখি। দিপার্টমেন্ট অসিনা ওক্টোবর ৩ দা ইভিক্সন নোটিশ থোকখ্রে।

মখা তাবা ইভিক্সন নোটিশসু থোকখিগনি। লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিদা পুম্নমক্না শৌগৎপীয়ু। চীঙ্গোল অসিবু ঙাক শেনবদা অমদি অকোয়বগী অঙৈং-অশাগী ফীভম কনবদা তেংবাংবীয়ু। চীংখৈ চীং রিজার্ভ ফোরেষ্ট অমদি নোংমাইচিং রিজার্ভ ফোরেষ্ট অসি কুমজা ১৯৮০ দা সেন্ট্রেল রিজার্ভ ফোরেষ্ট ওইনা লাউথোকখিবনি। চীংখৈ চীংগী পাক চাওবা স্কোৱার কিলোমিটর ১৪.৫ রোমনি। নোংমাইচিংগীনা স্কোৱার কিলোমিটর ৬৭ রোমনি। চীংশিং অসি রিজার্ভ ফোরেষ্টকী এরিয়ানি হায়না লাউথোকপা মতমদা রেভিন্যু লেন্দ অমসুং ফোরেষ্ট লেন্দ অনীগী তায়নবদা বাউন্দরি পিল্লরশিং য়ুংখি। বাউন্দরি পিল্লরশিং হৌজিকসু লৈরি। বাউন্দরি পিল্লর অসিগী মনুং চঙশিন্না লন্নাই মীওইশিংনা য়ুম-কৈ শাজিনবা অমদি লৌ উনবা নিনশিনবা কয়া চথরক্লি। মসিদা রেভিন্যু দিপার্টমেন্টনা লন্নাই মীওইশিং অসিগা মান্নরগা পাট্টা পীরম্বনি। অসিগুম্বা খোঙথাং অসিগী মথক্তা ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট অমদি মণিপুর ফোরেষ্ট রুলগী সব সেক্সন ৮১ গী মখাদা ইভিক্সন তৌনবা নোটিশ অসি থোক্লকপনি। মসিদা থোইদোক্না কনানসু য়েৎননিংঙাই ওইদে হায়না লৌই।

রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া অসিদা পব্লিক ইন্টরেষ্টতা অমদি লৈঙাক্কী ওইবা শেমগৎ শাগৎপগী লম লৌশিনবা তারবসু ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ লৌগদবনি। এরিয়া খরা হেন্না চাওবা ওইরগনা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সীলগী অয়াবা লৌবা চঙই। মসিগী মথক্তা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী অয়াবা লৌবা চঙই। অয়াবা অসি অমত্তা লৌদনা শাজিন খোৎচিনবগী থবক কন্না চথরক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# মথংগী চহীগী কেলেন্দর ফোঙনবা মচাকশিং কেলেন্দর বোর্দতগী লৌবীয়ু : বোর্দ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস): মথং চহীগী কেলেন্দর ফোঙনবগীদমক কেলেন্দরগী মচাকশিং কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দতগী লৌবীয়ু হায়না বোর্দ অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল সোরাইশম সঞ্জিতনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চহী খুদিংগী সাইন্টিফিক ওইবা কেলেন্দরগী মচাকশিং কংলৈ মীয়ামদা ফংহল্লি। মমাঙদা চমন্নবা পোকহল্লম্বা, কেলেন্দর অমগা অমগা থবান খেন্নরম্বা কয়াদগী কোকহনবা ঙম্লে। কুমজা ২০২০ গী ওইনা লন্নাই ফার্ম, দুকান, ক্লিনিক, হোস্পিটাল, স্কুল, কোলেজ, ওফিস, ক্লব, কম্পেনি অমদি লূপ কয়ানা কেলেন্দর পুথোক্নবগীদমক সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক মচিন্দা লৈবা সিকোগী ওফিসকা মতম খরগী ওইনা লৈমিন্নরিবা কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দতগী মচাক লৌবীয়ু। সাইন্টিফিক ওইবা কেলেন্দরগী মচাকশিং য়াওনা রেজিষ্ট্রেসন তৌদুনা শকখঙচে অদু বোর্দ অসিদগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর ওইনা মচাক লৌবীয়ু।

কেলেন্দর বোর্দকী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওরবা শকখঙলবা থবান কেলেন্দর খক্তং কংলৈ মীয়াম্না শীজিন্নবীয়ু। কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দকী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা কেলেন্দর অদু ওথোরিটি ওইদবা অরানবা কেলেন্দরনি। সাইন্টিফিক ওইদবা কেলেন্দরদি মীয়াম্বু লান্না লমজিংবনি। মীয়াম্না শীজিন্নবীগনু, লৈবীগনু। কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দতগী মচাক লৌদনা মীঙোন্দগী শিন্দোকপা অমদি অফোংবা কেলেন্দরদগী মচাক কোপী তৌবীগনু। করিগুম্বা মীগী অফোংবা কেলেন্দরদগী মচাক কোপী তৌরম্লবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তা মশা মশানা পুজগদবনি।

কেলেন্দর নম্বীরিবা প্রেসশিংনসু কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দকী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওরবা শকখঙলবা থবান কেলেন্দর খক্তং নম্বীয়ু। কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ১৪ অসি বৃটিশকী লৈঙাক্তগী মণিপুর নিংখা তম্বা নুমীৎ ওইনা কেলেন্দর বোর্দকী হন্দক থাদেক্লিবা মথং চহীগী কেলেন্দরগী মচাকশিংদা হাপচিল্লে। মথং চহীগী সাইন্টিফিক ওইবা কেলেন্দর ফোঙনবা কেলেন্দরগী মচাকশিং লৌহৌদবশিংনা অথুবা মতমদা কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দতগী মচাকশিং লৌবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## 'পাউ ফাওরক্কদবনি'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস): জে এন ভি বিষ্ণুপুর, ককচিং অমদি খুম্বোংদা এন্ট্রান্স য়াওদনা এদমিসন তৌগনি হায়না নমথাক তৌদুনা শাশিন্নবা এদমিট কার্দ পীদুনা মহৈরোয় ২৭ তগী শেনফম খোমগৎখিবা মীওই ৩ না থা অসিগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা এইমসতা পাউ ফাওরক্কদবনি হায়না এইমসকী সেক্রেটরি পব্লিসিটি সাইয়োনবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, কোইজম রঞ্জিৎ, ককচিং চুমাং লৈকায়, নাওরেম মঙ্গিজাও, নাওরেম মখা লৈকায় অমদি এল কিরন, ৱাঙু তেরা অৱাং লৈকায় হায়রিবা মীওই অহুম অসি এইমসতা পাউ ফাওরক্কদবনি। করিগুম্বা ফাওরক্তবা তারবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তা পুম্বা মশা-মশানা পুজগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ফিল্ম ৱার্কশোপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস): কংলা ফিল্ম মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ২০ দগী হৌরগা থা অমা চুপ্পা ফিল্ম ৱার্কশোপ অমা পাঙথোক্লগনি হায়না কংলা ফিল্মগী মেনেজিং দিরেক্টর প্রেমজিৎ নাওরোইবমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ৱার্কশোপ অসিদা এক্টিং, ইদিটিং, লাইটিং, সাউন্দ দিজাইনিং, স্ক্রিন প্লে রাইটিং, সিনেমাটোগ্রাফি, ফিল্ম দিরেক্সন অমদি টেক্নিকেল ক্রুনচিংবগীদমক্তা ৱার্কশোপ অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি। ফিল্ম ৱার্কশোপ অসিদা লমদমসিগী ফিল্মগী লমদা অখঙ-অহৈ কয়ানা তাকপী তম্বীগনি। ফিল্মগী লমদা নৌনা খোঙদানিংবা কাঙবুশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। ৱার্কশোপকী শরুক অমা ওইনা মণিপুর ফিচর অমসুং ৱার্কশোপ প্রদক্সন ওইনা পুথোক্তুনা ফিল্মগী লমদা খোঙদানবগী খুদোংচাবশিং পীগদৌরি। থৱায় য়াওবা কাঙবুশিংনা ৱার্কশোপ অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি।

খনগৎলবা থৱায় য়াওবা কাঙবুশিংদা ফিল্মগী লমদা খোঙদাবগী খুদোংচাবা কয়া পীগদৌরি। ৱার্কশোপ অসিগী মনুং চন্না পার্টিসিপেন্টশিংগী ওইবা প্রদক্সন পুথোকহন্দুনা খন্ন-নৈনগনি। মণিপুর ফিল্মগী অনীশুবা দিজিটেলগী সিনেমাগী খোঙহৌ অমা ওইখিবা কুমজা ২০০২ দা পুথোকখিবা লাম্মৈ ফিল্ম অসি ৱিন্টর ফিল্ম ৱার্ককী প্রদক্সননি। মতিং লৈবা সিনেমা ওইনবা হোৎনবদা ৱার্কশোপ অসিনা অচৌবা মতেং ওইহন্নবা শিনবনি। শরুক য়ানিংবশিংনা অকুপ্পা মরোলগীদমক কংলা ফিল্ম মণিপুর, ফিল্ম ফোরম মণিপুরদগী খঙবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ইবোতোম্বীনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস): লাইশ্রম মনি গৌরচন্দ্র একাদেমী থৌবাল ৱাংখেমগী মতম শাংনা এদভাইজর অমসুং পুঙগী গুরু ওইনা থৌ পুরম্বা মণিপুর শিন থুংনা শকখঙনরবা পুঙগী ওজা চকপ্রম ইবোতোম্বী, য়াইরিপোক কেক্রু মথক লৈকায়দা লৈবনা থা অসিগী ১২ দা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না একাদেমী অসিগী সেক্রেটরি এম নরাহরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ওজা অসিনা লৈখিদবদা একাদেমী অসিগী ওজা, ষ্টাফ, মহৈরোয়শিং অমদি আর্টিষ্টশিংনা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ওজা অসি চহী ৯৩ শুখ্রে। থৌরমসিদা একাদেমী অসিগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম শ্যামকেশ্বর, নাওরেম গুলাপ, এল জিলা অমদি এল বিজয়কুমারনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। সেক্রেটরি মোইরাংথেম নরহরিনা লৈখিদ্রবা ওজা ইবোতোম্বীগী পুন্সি ৱারীগী মতাংদা ঙাংখি।

ওজা অসিনা পুঙগী লমদা তৌরম্বা কয়া অদু শকখঙদুনা য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ অমদি লাইব্রেরিনা সঙ্গীত ভুষন মিংথোল পীখি। মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা বিদ্যা ভুষন, ২০১৭ গী মিংথোল পীখি। ওজা অসিনা মণিপুরগী খুঙ্গং খুদিং কোয়না চৎতুনা মণিপুরগী মরাই চাইথরক্লবা লাইনিং-লাইশোন কন্নবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম কয়া একাদেমী অসিগী আর্টিষ্টশিংগা লোয়ননা পাঙথোক্লম্মী। খুঙ্গংগী নুপী কাঙলুপ কাঙলুপ ঈশৈ তম্বীদুনা রেদিও অমদি দি দি কে ইম্ফালদসু প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখি। ওজাগী তৌরম্বা মশিং থিঙল্লরোইদবা থবক কয়ানা লৈহৌরিবা ঐখোয়না শিংবা ঙল্লরোইদবা লম্মন অমা মতম চুপ্পগী ওইনা তোন্দুনা লৈহৌরগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## পাউ ফাওনবীয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস): পব্লিক হেল্‌থ এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ঈ দি) দা তোঙান তোঙানবা অহাংবা পোষ্টশিংগীদমক ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জদা রেজিষ্টর তৌরবা কেন্দিদেটশিং ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জগী ভেকেন্সি এসিষ্টেন্টকা পাউ ফাওনবীয়ু হায়না ইমপ্লোয়মেন্ট ওফিসর ইম্ফাল ৱেষ্টনা থোকপা নোটিশ অমনা হায়রি। পি ঐচ ঈ দিগী তোঙান তোঙানবা পোষ্টশিং অদুগী মনুংদা লৱার দিভিজন ক্লার্ক (এল দি সী), জুনিয়র সুপরভাইজর, ফিট্টর গ্রেদ টু, পিওন, দ্রাইভর, এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিন ওপরেটর, বর্কান্দাজ অমদি স্বিপর য়াওরি হায়রি।

## ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস): দিরেক্টোরেট ওফ রিছার্স, সী এ য়ু ইম্ফাল অমদি ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিভ ফার্মর এসোসিএসন্না শীন্দুনা নোংমগী ওইবা লৌমীশিংগী ইন্টরেক্সন কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী ১০ দা কোথা ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে হায়না সী এ য়ুগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওফ রিছার্সনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরমদুদা সী এ য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ডা. এম প্রেমজিৎনা কোথা ভিজেলবু লিটচি ভিলেজ ওইনা শেমগৎনবা লিটচি চারা ৪০০ য়েন্থোকখি। লিটচি ভিলেজ শেমগৎপদা মায় পাক্লবদি কোথাবু লিটচি ভিলেজ ওইনা শকখঙবগা লোয়ননা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা ঙমগনি হায়খি। প্রোগ্রামদুদা লৌমী ৫০ রোম্না শরুক য়াখি। লৌমীশিংদা স্পেয়র পম্প অমদি মরু-মরাং কয়াসু য়েন্থোকখি। দিষ্ট্রিক্ট অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা লৌমী কয়ানা শরুক য়াখি। অখঙ-অহৈ কয়ানা লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা ৱাফম থমখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## হেল্‌ঠ ক্যের সর্ভিসতা অকায়বা পীরে : পান্দম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস): রিমস হোস্পিটাল মনুংদা ফার্মাসি রন্নর কয়া থাদোক্তুনা লাই শাহল্লে, হেল্‌ঠ ক্যের সর্ভিসতা চাউনা অকায়বা পীরে হায়না পিপলস এক্সন ফোর নেসনল দেম্মক্রেটিক মুভমেন্ট (পান্দম)গী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন ইরুংবম দোলেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, রিমস হোস্পিটালগী পেসেন্ট সর্ভিসকা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা ফার্মাসি রন্নর ময়াম থাদোক্তুনা লাই শাহল্লে। হিরম অসিগী মতাংদা থা অসিগী ৭ তসু ফোঙদোকপা লৈখ্রে। রিমস হোস্পিটালবু ফার্মাসিগী প্রাইভেট এজেন্টশিংনা পাল্লবরা। সী এম ও, এম এস অমদি দিরেক্টরনা উশিন্নদনা লৈরিবা করিগীনো।

রিমস হোস্পিটালগী মনুংদা লৈরিবা পেসেন্ট ক্যের সর্ভিসতা লৈরিবা দিপার্টমেন্টশিংদা পেসেন্ট পার্টিদা লৈয়ু হায়না ডোক্তরনা ইরকপা চে অদু খুদক্তা ফার্মাসি রন্নর ওইনা লৈরিবা প্রাইভেট এজেন্টশিংনা লাকপগুম্না পায়রগা পুখি। খুদক্তা হিদাক পুরক্লগা পেসেন্ট পার্টিদা পী। অনাবগী মতেং পাংবগীদমক্তদি হরাওনিংঙাইনি। অদুবু পুকচেল শেংনা থবক অসি তৌরিব্রা নৎত্রগা অনাবশিংগী মিংদা শেনদানফম ওইরব্রা হায়বসি কুপ্না থিগৎলে। রন্নরশিং এক্সন লৌবগী মহুৎতা কনখৎতুনা থল্লিবা অসি করিগীনো শেংদোকফম থোকই। রন্নরশিংনা মখোয়গী মরাল লৈতে হায়রগদি নুমীৎ নীনিগী মনুংদা পান্দমগা উনদুনা ৱাখল তামিন্নগদবনি। ৱাখল তামিন্নবা লৈত্রগদি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্টর ওফ হেল্‌ঠ অমদি সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসনদা চেরোল থারগনি হায়নসু মখা তারি।

## আর্ট এগজিবিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস): খা মণিপুর আর্ট সোসাইটি ককচিংনা শীন্দুনা নাওরেম ইবেম্মুগী স্পোন্সরশিপ মখাদা থা অসিগী ১৭ তগী ১৮ ফাওবা ভিজুয়েল আর্ট একজিবিসন অমা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী ওদিটোরিয়মদা নুমীৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্লগনি হায়না খা মণিপুর আর্ট সোসাইটিগী সেক্রেটরি পি প্রেমজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এগজিবিসন অসি হৌদোকপা নুমীৎতা ভিজুয়েল আর্ট কম্পিটিসন অমসু পাঙথোক্কনি। ক্লাস সেভেনগী মথক্তা লৈবশিংনা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। কম্পিটিসন অসিদা চঙবা পেন্টিং পেপর নত্তনা অতৈদি পার্টিসিপেন্টশিংনা পুরক্কদবনি। কম্পিটিসনগীদমক থা অসিগী ১৭ কী অয়ুক পুং ৯ ফাওবগী মনুংদা মিং চনবা য়াগনি। আর্ট এগজিবিসন অসিদা শরুক য়ানিংবা মীওইশিংনা খা মণিপুর আর্ট সোসাইটিদা পাউ ফাওবীরকউ। এগজিবিসন অসিগী হৌদোকপা নুমীৎতা ভিজুয়েল আর্ট কম্পিটিসন অমসু পাঙথোক্লবগীদমক শেম-শারি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## পব্লিক ক্লবকী ৬৯ শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস): টাইম মেনেজমেন্ট হেল্‌ঠ, ক্লিনলিনেস হায়বা থীমদা পব্লিক ক্লব, তোপ খোংনাংখোংগী ৬৯ শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জেনিমস ব্লদ বেঙ্ককী মেদিকেল ওফিসর কোন্সম সুরজিৎনা চীফ গেষ্ট, পব্লিক ক্লবকী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম বিবেকানন্দনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুর সেক্রেটরিএট সর্ভিসকী রিটয়ার্দ ওফিসল এল নবদিপনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুদা এল বিবেকানন্দনা ফোঙদোকখিবদা, পব্লিক ক্লব তোপ খোংনাংখোংগী ৬৯ শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প শিনবনি। মীওই অতৈনসু ঈ পীবদা অকায়বা লৈতে। সেভ লাইফ দোনেট ব্লদ হায়বা পান্দমদা পাঙথোকপনি। মীওই ৭০ রোম ঈ পীনবা পান্দম থল্লি। জেনিমস ব্লদ বেঙ্ককী রিটয়ার্দ ওফিসর সুরজিৎনা মীওই ৩৫ রোম পীনবা হায়রকপগা লোয়ননা মীওই ৩৫ ঈ পীখি। ঈ পীবগী মতাংদা এৱ্যের্নেসকী মরুওইবা হিরম কয়া পল্লদুনা থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা কয়ানা ৱাফম থমখি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## লৈঙাক্না গঞ্জাবু লোনা য়াবা মওংদা থাহনগনি হায়বসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি : কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাই

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্না গঞ্জাবু লোনা য়াবা মওংদা থাহনগনি হায়বসি য়াম্না ফবা খোঙথাংনি হায়না কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী স্পোক্সপার্সন থোইদিংজম বোননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, খোঙথাং অসিনা মণিপুরদা লৈরিবা হিরোইন নম্বর ফোরগী খয়াৎতগী খরদং ওইরবসু কনবা ঙমগনি। মতম অমদা গঞ্জা থাবা য়ারিঙৈ মতমদা মণিপুরদা হিরোইন নম্বর ফোর শুংলিবা কানি পান্বী থাবদা পক্লে হায়বসি মীওই খরা নত্তনা মীয়াম্না খঙনরমদে। য়ু এস এদা গঞ্জা অসি ময়াই কাবা দ্রগকী কাঙলুপতা চিংহনবদগী মতমদুগী লৈঙাক্না অৱাইবা দিফিনিসনদুনা গঞ্জা থিংখিবদগী গঞ্জা থারম্বা মীওইশিংনা কানি পান্বীশিং চীংমাইদা থান্নরক্তুনা হিরোইন নম্বর ফোর পুথোকফম ওইদুনা ঙসিদি মণিপুর নোংম-নোংমগী অনীশুবা গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল ওইরক্লি।

মতম অমদা মণিপুরদা অকনবা মওংদা য়ু থিংখিবা মতমদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক পামজবা মীওইশিংনা মফম খুদিংদা লাইনা ফংবা গঞ্জানা য়ুগী মহুৎ শিনখিদে। মসিনা তাক্লি মদুদি গঞ্জা অসি লমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবদা চুনবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক নত্তে। অতোপ্পা মফমদা ময়াই কাবা ওইরবসু লমদমসিগী মীয়াম্না পাম্নবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক ওইদে। গঞ্জা অসি নৌনা মণিপুরদা পুশিল্লক্লগা থাসি অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মহুৎ শিনসি হায়বরা নৎত্রগা গঞ্জা অসি লোনা য়াবা মওংদা থাসি হায়বরা। থায়নদগী গঞ্জা অসি অদুম্মক লমদম অসিগী লৈহাওগা চুননা মকা লাম্না হৌদুনা লাকখ্রবা পান্বীনি। খুন্নাইসিদা শোকহল্লি নৎত্রগা শোকহন্দে হায়বসিদি থাবা য়ারিঙৈ মতমদা মীয়াম্না খঙনখ্রবা ৱাফমনি। গঞ্জা মীয়াম্না পাম্নবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক ওইনা পাক-শন্না শীজিন্নে, শীজিন্নদে হায়বসু য়ু য়াম্না কন্না থিংখিবা মতমদুদা খঙনখ্রবা ৱাফমনি।

গঞ্জা থাবা অমুক য়াহল্লকপা অসিনা খুন্নাইরোলদা শোকহনগদবা নত্তে। গঞ্জাবু ময়াই কাবা দ্রগতা চিংহনখিবা য়ু এস এগী ষ্টেট ১০ গী মথক্তা থাবা হৌখ্রে। শ্রীলঙ্কাদগী য়ু এস এনা গঞ্জাগী পোত্থোকশিং লৈরিবা মতমসিদা মহৌশাগী লাইরেম্বীনা পীবা অফবা মখলগী কৈথেলদা অতাঙবা মমলদা পুথোকপা ঙল্লিবা পোৎলম অসি কাংখথাং তাদুনা লৈহনবা হায়বসি অশানবা মীৎয়েং নত্তে। গঞ্জানা অনা-লায়েংদা পীরিবা কান্নবশিং মহৌশা লাইরেম্বীনা লমদমসিদা পীরক্লিবা কয়া অসি য়েংলগা খুন্নাই অসিদা গঞ্জা পাক শন্না শীজিন্নরক্তবগী থৌশিল পায়খৎতুনা খুন্নাই অসি শোকহল্লোইদবা মওংদা মণিপুরগী শেন্মীৎলোন ফগৎনবা গঞ্জা থাবা য়াহন্নবা লো শেন্বীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

Regd. No.: KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

SANGAI TUTORIAL

Kwakeithel near Imphal College, Imphal

ADMISSION OPEN

REVISION COURSE for

CLASS -XII Sc. (COHSEM) & CLASS -X(BOSEM)

4th Nov. 2019 (4:00/4:30 p.m. - 7:30)    5th Dec. 2019 (3:30 p.m. - 7:30)

HSE Result 2019

19th POSITION HSE 2019

FOUNDATION COURSE for CLASS -X(BOSEM)

9th Dec. 2019 (4:30 p.m. - 7:30)

HSLC Examination Result 2019 at a GLANCE

13th POSITION HSLC 2019 | 17th POSITION HSLC 2019 | 23rd POSITION HSLC 2019 | 24th POSITION HSLC 2019



Rakesh Ningthoujam | Nongmaithem Zeno | Jessica Wahengbam | Kahajam Jaya Devi | Rushely Laishram

Faculties :
Former Head Examiner, Assitant Head Examiner, Co-ordinator, Board Examiner and Lecturers from reputed Higher Secondary School.

Special features :
Mock-Test Series (Sunday and provide four Question Set for each subject).
We provide printed probable questions and answers.
Hostel/Boarding for Boys & Girls.
Van Services

Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol

Contact: 8413855751

ADMISSION OPEN

ENGLISH & RHYMES COURSES

CLASS X ENGLISH (BOSEM)    EXAM ORIENTED COURSE

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764